# আই সি সিনা পুটিন ফানবা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে রসিয়ানা মদুবু ৱাহন্থোক লৈতে হায়খ্রে

লন্দন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি) না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন ফাননবা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখ্রে হায়না মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।



কোর্টনা মহাকপু লোনা য়াদবা মওংদা অঙাং কয়া য়ুক্রেনদগী রসিয়াদা নমদুনা থাহনবা য়াওনা ৱার ক্রাইম কয়া চংখি হায়না মরাল শীরি। ক্রাইমশিং অদু রসিয়ানা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবা কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ২৪ দগী চথরকখিবনি হায়না আই সি সিনা রসিয়ন লিদর অসিবু মরাল শীরি।

অমরোমদা, মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবদা ৱার ক্রাইমশিং চথখি হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রে। আই সি সিনা পুটিনবু মশিং য়াল্লবা অঙাংশিং য়ুক্রেনদগী নমদুনা রসিয়ানা থাবদা চেন্নে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মহাক্না অদুগুম্বা থবক থৌওংশিং অদুদা হকথেংননা চেন্নখি নত্ত্রগা অতৈশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি হায়বগী মরম কয়া লৈ হায়রি।

রসিয়াগী চিলড্রেন রাইটসকী কম্মিস্নর মরিয়া লববো-বেলোবা অসি আই সি সিনা টার্গেট তৌবা মীওইনি। রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা আই সি সিনা ইস্যু তৌরিবা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ৱাহন্থোক লৈতে।

মারিয়া জখারোবানা টেলেগ্রামদা ইরদুনা হায়খি, মদুদি ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টকী ৱারেপশিং লিগেলগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা য়াওনা রসিয়াগী ওইনা ৱাহন্থোক অমত্তা লৈতে। ৱারেন্ট কয়া ইস্যু তৌদুনসু আই সি সি সম্পেক্টশিং ফাবগী পৱার লৈতে। কোর্ট অসিনা মসিবু লিংখৎখিবগী এগ্রিমেন্ট অদুদা খুৎয়েক পীরিবা লৈবাকশিংগী মনুং খক্তদা জুরিসদিক্সন এক্সর্সাইজ তৌবা ঙম্মী হায়রি।

অমরোমদা, পুটিনগী মায়োক্তা আই সি সিনা ৱার ক্রাইমশিংগী মরাল শীবগা লোয়ননা মহাকপু ফাননবা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখিবা অসিবু য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা তরাম্না ওকখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিন অসি আই সি সিনা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌবা মালেমগী ওইনা অহুমশুবা প্রসিদেন্টনি। আই সি সিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুগী রেস্পোন্সতা প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি কোর্ট অসিনা য়ুএসতসু জুরিসদিক্সন এক্সর্সাইজ তৌবা লৈত্রবসু অসিগুম্বা ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌবা অসিনা অরান অহুই তৌবশিং চৈরাক ফঙনিংঙাই ওই হায়বসি মালেম পুম্বদা খুৎ থিন্দুনা খঙহল্লি।

লৈবাক অমগী গভর্ণমেন্টগী কো ওপরেসন য়াওদনা আই সি সিগী সম্পেক্টশিং ফাবগী পৱার লৈতবা মরম্না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগী মায়োক্তা য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা ৱার ক্রাইম কয়া চথখিবগী মরালদা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌরিবা অসিনা মতুং তাবা মরু ওইবা খোঙথাংশিং লাকহনগনি হায়বগী থাজনবদি লৈতে হায়রি।

রসিয়া অসি আই সি সিগী মেম্বর লৈবাক অমা ওইদবনা কোর্ট অসিনা প্রসিদেন্ট পুটিনগী মায়োক্তা ফাবা পুনবনচিংবগী ওথোরিটি অমত্তা লৈতে হায়না লৌবা য়াই। অদুম ওইনমক খোঙথাং অসিনা পুটিনবু ইন্টরনেসনেল ট্রাবেলদা অয়েৎ অপন থোকহনবা য়াওনা মওং কয়াদা শোকহল্লকপদি য়াই হায়রি।

মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু রসিয়ানা হৌজিক য়ুক্রেনদা চথরিবা লান অদুদা ৱার ক্রাইম কয়া চথখি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা ৱার ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিং অদু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবগা লোয়ননা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# ইমরান খাননা কোর্ট পাঙখ্রবা মতুংদা পুলিসনা ময়ুমদা চঙলগা পার্টি ৱার্করশিং ফাখ্রে

লাহোর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

পি টি আইগী চিয়ারমেন ইমরান খাননা থাংজ নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা টোসাখনা কেসকী হিয়ারিং য়াওননবা ময়ুমদগী খোঙশানখ্রবা মতুংদা পঞ্জাব পুলিসনা মহাক্কী জামন পার্কতা লৈবা য়ুমদা নম্ফুদা চঙশিন্দুনা পার্টিগী ৱার্কর ২০ হেন্না ফাখ্রে হায়না মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।



হন্দক্তা পুলিস অমসুং পি টি আইগী সপোর্টরশিংনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী লাহোরদা লৈবা য়ুমগী মপানদা তোইনা খুৎ থোক্ন খিবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্তা অশোক অপন কয়া য়াওখিবনি।

থৌদোকশিং অদু পুলিস টিমশিংনা খানবু ফাননবা মহাক্কী জামন পার্ককী য়ুমদুদা লাকপদা থোকখিবনি। অদুম ওইনমক পার্টিনা মহাকপু ঙাক শেননবা শেমগৎখিবা কেম্পশিং লৌথোক্লনবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা খানগী য়ুমদা ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি।

ইমরান খানগী য়ুমদা নম্ফুদা চঙশিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা পুলিসনা মফম অদুদা সেক্সন ১৪৪ চৎনহল্লে। অদুনা কেম্প তৌরিবশিং মফমদু থাদোকপীরো হায়না লাউখি। টেলিভিজন ফুটেজতা ময়েন গেট বুল দোজর শীজিন্নদুনা নমখায়রবা মতুংদা পুলিসনা য়ুমদা চঙশিল্লগা পি টি আইগী ৱার্কর কয়া ফাবগী শক্তম উখি। মখোয়গী ওপরেসন অদুবু অথিংবা পীনবা হোৎনরদুনা ইমরান খানগী য়ুম মনুংদগী মখোয়দা পেত্রোল বোম কয়া লংশিল্লকখি অমদি নোংমৈ ফাওবা কাপথোরকখি হায়নসু লো এনফোর্সরশিংনা ক্লেম তৌখি।

জামন পার্কতা থী হুম্বগী মতাংদা ইরাই নুমিত্তা এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পি টি আইগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরক্লবা মতুংদা মফম অদুদা অচৌবা পুলিস কন্টিঞ্জেন্ট অমা দিপ্লোই তৌখি। এন্টি-টেরর কোর্ট অমনা ইমরান খানগী য়ুম মনুংদা থী হুম্বা চথবগী পার্মিসন পীখি। থী হুম্বা চথবা অদুদা পুলিসনা মোলোটোব কোক্টেলশিং শাবদা শীজিন্নবা মচাক মথুম কয়া রিকোভর তৌখি।

পুলিসকী এক্সন অদুবু কন্দেম তৌরদুনা পি টি আইগী চীফ ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি বুসরা বেগম মথন্তা লৈরিবা জামন পার্ককী মহাক্কী য়ুম অদুদা পুলিসনা এসোল্ট চথখিবসি লাইবক থীবনি। করম্বা লোগী মখাদা অসিগুম্বা থৌওং অসি মহাক্কী য়ুমদা চথরিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা মরু ওইবা ৱাহংনি হায়না পি টি আইগী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

খাননা মদু মতম শাংনা কোইচেন চেন্দুনা লৈরকখিবা নৱাজ সারিফপু লৈঙাক্কী পৱার পায়হন্নবা লন্দনদা য়ানখিবা থৌরাং অমবু থবক্তা ওন্থোরক্লবা হোৎনরকপনি হায়খি।

# টর্কিদা শাথিরবা য়ুহাশিং মাঙহন তাকহনখিবশিং দোল্লর বিলিয়ন ১০৫ হেল্লি হায়না পারি

অঙ্করা, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬ তা টর্কিগী খা থংবা শরুক্তা শাথিরবা য়ুহা অনীনা মাঙহন তাকহনখিবশিং অদু শেল ওইনা পাবদা চাওরাক্না টর্কিজ লিবা ট্রিলিয়ন অনী (দোল্লর বিলিয়ন ১০৫.২) রোম ওইগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়রি।



টর্কিগী ট্রেজরি এন্দ ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখিবা অমসুং প্রসিদেন্সিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্ট্রেটেজি এন্দ বজেটনা শেম শাখিবা রিপোর্ট অদুনা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা মাঙহন তাকহনখিবশিং অদু শেল ওইনা পাবদা কুমজা ২০২৩ গী লৈবাক্কী ইনকমগী চাদা ৯ লোম ওইবা য়াই হায়না প্রিদিক্ট তৌরি।

ষ্টদি অদুনা হায়খি, মদুদি য়ুহানা শোকহনখিবা মফম অদুগী সপোর্টকী চাদিংশিংগী শেনফম অদু পুন্না পাবদা নেসনেল ইনকমগী চাদা ৯ হায়বদি লিরা বিলিয়ন ৩৫১(দোল্লর বিলিয়ন ১৮.৫) রোম্নি।

য়ুহা অদুনা থোকহনখিবা অপুনবা অমাঙ অতাশিংনা টর্কিগী ইকনোমিদা পীরিবা বর্দন অদুদা চাদা ৫৪.৯ ওইরিবা হাউজিংগী মাঙ তাকপা অসিনা খ্বাইদগী চাওবা সিয়র ওইরি। য়ুম-কৈ মাঙ তাকখিবশিং অদু শেলগী ভেল্যুদা পাবদা টর্কিজ লিরা ট্রিলিয়ন ১.০৭ হায়বদি দোল্লর বিলিয়ন ৫৬.৪ রোম্নি।

য়ুহাশিং অদুদা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা অসি পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং সর্ভিস বিল্ডিংশিং মাঙ তাকখিবা অসিনা ওইরি। চাওরাক্না লিরা বিলিয়ন ২৪২.৫ (দোল্লর বিলিয়ন ১২.৭) রোমগী চাংদা পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি সর্ভিস বিল্ডিংশিং মাঙ তাকখি। হাউজিং য়াওদনা প্রাইভেট সেক্তরদা মাঙ তাকখিবশিং অদু শেলগী ভেল্যুদা লিরা বিলিয়ন ২২২.৪ (দোল্লর বিলিয়ন ১১.৭) ওইগনি হায়না পায়। আইটেম অসিদা মেন্যুফেকচরিং, ইনর্জি, কম্যুনিকেসন, টুরিজম, হেল্‌থ অমসুং এদুকেসন সেক্তরশিংদা থোকহনখিবা অমাঙ অতাশিং য়াওরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬ তা টর্কিগী খা থংবা প্রোভিন্স কহরা মনমরাসতা লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৪.১৭ তাবা মতমদা মেগ্নিট্যুট ৭.৭ য়ৌনা কন্না য়ুহা হাখ্রবা মতুং লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ১.২৪ তাবা মতমদা অমুক হন্না লমদম অদুদা মেগ্নিট্যুট ৭.৬ কী চাংদা য়ুহা হাখিবনি।

টর্কিগী প্রোভিন্স ১১ শোকহন-খিবা য়ুহাশিং অদুদা শিখিবা মী মশিং ৪৮,০০০ হেনখি অমদি মীওই লিশিং চা কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্লখি।

# আই এসনা থা তরুক্কী মনুংদা নোংচুপলোমগী টার্গেটশিংদা এটেক চথরকপা য়াই

লন্দন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানদা বেজ তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটকী দিভিজন অমনা থা তরুক্কী মনুংদা য়ুরোপ অমসুং এসিয়াদা য়ুএসকী সিটিজনশিং টার্গেট তৌবা ঙম্লক্কনি হায়না য়ুএসকী সেনিয়র জেনরেল অমনা সিনেট কম্মিটি অমদা খঙহনখ্রে হায়রি।

য়ুএস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী হেদ জেনরেল মাইকেল কুরিলানা কংগ্রেসতা হায়খি, মদুদি অমেরিকন হোমলেন্দদা ষ্ট্রাইক তৌবগী পান্দম লৈবা আই এস আই এস-কেনা য়ুএস সিটিজন লিশিং চা কয়াদা এটেক চথরকপা য়াই।

আই এস আই এস-কে-ইস্লামিক ষ্টেট ইন খোরাসন অসি অফঘানিষ্টানদা বেজ তৌবা আই এস এফিলিএট অমনি অমসুং টালিবান অমসুং য়ুএস অনীমক্কী শাথিরবা য়েক্লবা অমসুনি। কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা য়ুএসনা সিটিজনশিং পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈ মনুংদা কাবুল এয়রপোর্টতা এটেক তৌদুনা অফঘান সিভিলিয়ন ১৭০ অমসুং য়ুএস লান্মী ১৩ শিহনখিবা থৌদোক অদু গ্রুপ অসিনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। আই এস আই এস-কেনা কুমজা ২০২২ পুম্বদা মোস্ক অমসুং স্কুলশিং য়াওনা টার্গেট কয়াদা লেপ্তুনা এটেক চথখি। কুরিলানা ৱাফম অসি শগোলশেল নুমিত্তা সিনেট আর্মদ সার্ভিসেস কম্মিটিদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না কম্মিটিদা শেনবা চহী ২০২৪ গী ফন্দশিং শেম শাননবা হায়জখি। থা তরুক্কী মনুংদা গ্রুপ অসিনা ৱার্নিং পীবা তৌদনা মপানদা য়ুএস নত্ত্রগা নোংচুপলোমগী ইন টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা এক্সটর্নেল ওপরেসন অমা চথরকপা ঙমগনি হায়বসি ঐহাক্কী কম্মান দরগী ইষ্টিমেটনি হায়না কুরিলানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুএসকী টেরিটরিদা এটেক চথবদি গ্রুপ অসিগী ওইনা খরা লুনা থোক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# লৈবাক খরনা প্লেন পীগনি হায়খিবা মতুংদা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী জেটশিং থুগায়গনি কিহনখ্রে



মোস্কো, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনদা মীচংশিংনা পীবা ফাইটর জেট খুদিংমক থুগায়গনি হায়না রসিয়ানা কিহনখ্রে।

পোলেন্দ অমসুং স্লোবাকিয়ানা য়ুক্রেনদা লানগী প্লেনশিং পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা রসিয়ানা অসুম্না কিহনখিবনি। স্লোবাকিয়া অসি কিভতা মিক-২৯ এয়র ক্রাফট খরা পীগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখিবা লৈবাক্নি।

পোলেন্দনা মান্নবা মওংদা কিভতা ফাইটর জেটশিং পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা অসুম্না লাউথোরকখিবা স্লোবাকিয়া অসি য়ুক্রেনবু ফাইটর জেটশিং পীদুনা মতেং পাঙগনি হায়রিবা নাটোগী অনীশুবা লৈবাক্নি।

স্লোবাকিয়াগী এয়র ক্রাফট ফ্লিট মমাঙগী চহীদা থুপচিনখিবদগী হৌজিক লৈবাক অসি জেটশিং শীজিন্নদ্রে হায়বা য়াই। য়ুক্রেননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা মতমগা চুন্নরবা জেটশিং পীরক্লবা হায়জদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং ট্রেনিংদা মতম শাংনা চঙবনা মরম ওইদুনা কিভকী অপান্বা অসি লোং-টর্ম ওপসনশিংনি হায়না লৌনৈ।

লৈবাক অসিনা মসিগী দিফেন্সশিং অমসুং কাউন্টর-এটেকশিংদা অহেনবা এয়রক্রাফটশিং লাংবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌরি।

রসিয়ানা লান্দাবা চহী অমা মপুং ফারকপগা লোয়ননা য়ুক্রেননা পুটিনগী ফোর্সশিং থেংনবদা অহেনবা এয়রক্রাফটশিংগী সপোর্টনা লান মায় পাকহনবদা চাওনা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবদগী য়ুক্রেনগী লুচিংবা জেলেন্সকিনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা ফাইটর জেটশিং পীরক্লবা কন্না তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

নাটোগী অতৈ লৈবাকশিংনসু সোভিএট য়ুনিয়নগী মতমদগী লৈরক্লবা মোদেল অমা ওইরিবা মিক-২৯ গুম্বা প্লেনশিং থাননবা খন্নরি। অসিগুম্বা মোদেলশিং অসিদি য়ুক্রেনগী পাইলোটশিংনা ইরাই লাইনা পাইবা ঙম্মী।

ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিটি পেস্কোবনা থৌরাং অদুবু কন্দেম তৌরদুনা ফাইটর জেটশিং অদুনা মোস্কোগী স্পিসল মিলিটরি ওপরেসনগী রিজল্টতা শোকহনবা ঙম্লোই হায়খি।

# পোপি পান্বী থারম্বা নেপালি ১ ফারে...

*লামায় ১গী মখা...* থেংনখি। অদুবু নোং চীংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা ঙরাং নৌনা থেংনরকপা মফমশিং অদু য়ৌনা চঙশিনবা য়াদবনা পোপিশিং অদু য়াম্থৎপা ঙমদনা হল্লকখি।

নাকল অমরোমদা পুলিসনা ফারবা শন্তোশকী মথক্তা সেনাপতি পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা পোপি থাবগী থবক অসিদা মখা তানা কনা কনা য়াওরিবগে হায়বা অদু থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙরাং থেংনরকপা পোপি য়ানবদা লৈহৌরিবা মফমশিং অদু য়াম্থৎপগী থবক মখা তানা চথখিগনি হায়না সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ভিক্টরনা ফোঙদোরক্লি।

## হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবা মীওই

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুগা ঙরাংসু থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম অমা কৈরাও মক্তিং মেঞ্জোর ইঞ্চোলদা চথখিবনি।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা অবদুল হেকিমগী মচানুপা অবদুল রকিসনা ফোঙদোকখিবদা মীমান্নদ্রবা মপাবু তমথীবা মওংদা ফূবদা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং থবক্তগী দিসমিস তৌবীয়ু অমসুং মথৌ মশক খঙদবা ইরিলবুংগী ওফিসর ইন চার্জ পি পাওজিনলুংবুনা ট্রান্সফর তৌবীয়ু হায়দুনা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিনখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা চহী খরগী মমাঙদা লুপা লিশীং ৩০দা মখোয়গী ইঞ্চোল অমা বনধোপ থমখিবনি। ইঞ্চোল অদু হন্দোকচরগে হায়রুবদা য়ারক্তবদগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা চৎতুনা য়েংলুবদা মখোয়গী খূৎয়েকশিং শারগা ইঞ্চোল অদু মমিং ওন্থোক্লম্বনি। মসিদগী চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎপীননবা ইরিলবুং পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখিবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৪দা নাকল অনীমক্কী মীওইশিং ৱারী শাননবগীদমক লাক্লবা খঙহল্লকপদগী মহাক্কী অপোকপা মপাসু চৎখিবনি। মখোয়না পুলিস ষ্টেসন য়ৌবা মতমদা ও সীনা আই ওদা ইনশিল্লম্লগা চৎখ্রবা মতুং আই ও অদুনা ৱাহং পাউহং অমত্তা তৌদনা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবা মহাক্কী অপোকপবু খোঙপাক্লা কাওবদগী লৈমায়দা তুখি।

তুরিঙৈদসু লিচৈনা কন্দুনা ফূখি। পুলিসকী থৌওং অদুদা মহাক্না মপাবু ফূবিদনবা খামদোক্লুবদসু মঙোন্দসু ওনশিল্লক্তুনা তমথীনা ফূবিরকখিবনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

## জিরিবামগী চীংকোইবুং খুলদা

*লামায় ১গী মখা...* মীয়াম্না থক্লনবা ঈশিং ফংবা ঙমদ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি চীংকোইবুং খুলদগী পি সিঙ্গোমনিনা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পাউমীশিংগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শাবা লোইশিনদ্রিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী ফীভম হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্নসু ঈশিং মরাং কায়না ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না চহী অহুম ফাজিল্লক্লবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি মপূং ফানা লোইশিনবীদুনা মসিনা কোনশিনগদবা খুঞ্জাশিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং পীবীনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়খি।

# জপানদা বার্দ ফ্লুনা য়েন, ঙানু মিলিয়ন ১৬ হাৎপদগী য়েরুমগী মমল ৱাংখৎলক্লে

টোকিও, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

জপানদা হৌজিক্কী এভিয়ান ফ্লু সিজন মনুংসিদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ফার্ম অমদি য়ুমদা লোইবা উচেক মিলিয়ন ১৬ হাত্তোক্লনবা লেপখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা য়েরুমগী মমল ৱাংখৎলক্লে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ক্যদো ন্যুজকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌজিক্কী বার্দ ফ্লুগী লাইচৎ অদু হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা সিজন হৌখিবদগী মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা য়াম্না য়াংনা শন্দোরকখি। লৈবাক অসিগী প্রিফেকচর ৪৭ কী মনুংদা ২৬ কী পোলট্রি ফার্মশিংদা য়ামদ্রবদা এভিয়ান ফ্লু কেস ৮০ থেংনখি। মার্চ ২ ফাওবদা টোকিওদা ময়াই ওইরপ চাওবা য়েরুমগী হোলসেল মমল কিলোগ্রাম অমদা য়েন ৩৩৫ (য়ুএস দোল্লর ২.৫) য়ৌখি। মমল অসি কুমজা ১৯৯৩ দা ইহান হান্না দেটা ফঙহনবা হৌখিবদগী খ্বাইদগী ৱাংবা মমলনি হায়না রিপোর্ট অদুনা লোকেল য়েরুম য়োনবা জে এ জেদ-টমাগোগী দেটা পল্লদুনা হায়রি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না বার্দ ফ্লুনা মরম ওইদুনা হাত্তোকপগী প্রোসেস চথরক্লিবা উচেকশিং অদুগী চাদা ৯০ হেনবদি য়েরুম কোক্লিবা য়েনবীশিংনি। মসিনা মরম ওইদুনা য়েরুমগী সপ্লাইদা খঙহন হন্থরকপদগী মমলসু ৱাংখৎলকখিবনি হায়রি।

## আই এল পি ভেলিদ ওইরবা নন

*লামায় ১গী মখা...*অমগী লিশীং ৫/৫ থিহল্লে।

লমদম অসিদা লৈরিবা অশানবা য়ূম থল্লিবশিং, কন্ট্রেক্টরশিং, নন লোকল এনগেজ তৌরিবা ফার্মশিং, এজেন্সীশিং অমদি কম্পেনিশিংনা মীতোপশিং থম্বা মতমদা মখোয়গী আই এল পি দোক্যুমেন্ট অদু ভেলিদ লোইরব্রা নৎত্রগা আই এল পি দোক্যুমেন্ট পায়রিব্রা হায়বদু নীংথিনা চ্যেক তৌবীয়ু হায়না আপীল তৌরদুনা কাঙলোন অসি কায়না মীতোপশিং থল্লম্বা য়ূম্বু অদু 'মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন ২০১৯ (মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট ফর্ষ্ট এমেন্দমেন্ট গাইদলাইন, ২০২২)' গী মতুংইন্না মীওই অমমমগী লুপা লিশীং ৫/৫গী ফাইন তাগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## সঙ্কীর্ত্তনগী ময়োলদা...

*লামায় ১গী মখা...* মীৎয়েং থম্বীরগা পাঙথোকচবনি। কুমজা ২০২২গীসু এৱার্দ পীথোক্লবা শেম শারে হায়খি। থৌরম অসিদা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি গুরু লৈমপোকপম লাকপতি অমসুং নামৈরাকপম টিকেননা অথোইবা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইখি।

## এম এল এ, দি সী অমসুং এস পিদা

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়বা ৱাফমসু মেমোরেন্দম কোপি অদুদা পল্লি। নীংশিংবা য়াই, লৈখিদ্রবা তম্ফা অসি সাইকল অমা থৌরগা খোংজোমদা পুঙ তিংনবা মচাক লৌবা চৎলুরবা মতুং য়ূমদা হল্লকপদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ঙসিসু জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়ননা হৈরোক পার্ট ৱান মমাঙ লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা তম্ফা মীশিদা চেন্নবা মীওই অমসুং গাড়ী পুথোক্লবা তকশিনখি।

# ইজরেল্লি লান্মীশিংদা থাংনা থিন্নবা হোৎনখিবা পলেষ্টিনিয়ন অমা হাৎখ্রে

রমালা, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্ককী রমালা সিটিগা নক্লনা ইজরেল্লি লান্মীশিংদা থাংনা থিন্নবা হোৎনখিবা পলেষ্টিনিয়ন অমা লান্মীশিং অদুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রিবদি য়াজন খাসিব (২৩) কৌবা নহা অদু ইজরেল্লি লান্মীশিংনা রমালা সিটিগী অৱাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা ইজ রেল্লি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি রমালাগী অৱাংদা নহা ওইরিবা পলেষ্টিনিয়ন নুপা অমনা ইজরেল্লি লান্মী অমদা থাংনা থিন্নবা হোৎনখি। মফম অদুদা লৈরিবা অতৈ লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদগী এটেক্কর অদু শিখিবনি। মীওই অদুদগী মশাদা থাং অমা রিকোভর তৌখি।

থৌদোক অদুদা ইজরেল্লি লান্মীশিংদা অশোক অপন অমত্তা থোকখিদে। হৌখিবা থা খরা অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমদা ইজরেল্লিশিং অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না চহী অসিদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা হৌজিক ফাওবদা পলেষ্টিনিয়ন ৮৯ হাৎখ্রে।

চৈরকসিদা ওফিসল ফিগর্সকী মতুং ইন্না চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা চথখিবা মখল কয়াগী এটেকশিংদা শিখিবা ইজ রেল্লি মশিং ১৪ শুখ্রে।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী টাউন অমগী মনাক্তা ঈশিংনা চেনখৎলকপা অশিবা ঙা মিলিয়ন কয়া থেংনখ্রে

মেনিন্দি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী রিজনেল টাউন অমগী মীয়াম্না মখোয়গী তুরেল অমদা অশিবা ঙা মিলিয়ন কয়া লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়রি।



য়াল্লবা ঙাশিং শিরল্লিবদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দল্লিয়ু) গী টাউন মেনিন্দিদা ইহান হান্না রিপোর্ট তৌখি। ষ্টেট অসিগী রিভর ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবদা মদু দার্লিং-বাক্কা তুরেলদা শোকহল্লিবা হৌজিক্কী হিট ৱেব অমনা মরম ওইদুনা থোকহনবনি।

লোকেলশিংনা হায়রি, মদুদি মদু টাউন অদুদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা ঙা মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিরম্বগী থৌদোক্লি। শুপ্নগী চহী অহুমমুক্কী মমাঙদা মফম অদুদা মান্নবা মওংদা য়াল্লবা ঙাশিং শিরম্বা থেঙনখিবসু লৈ হায়রি।

ফেসবুক পোষ্ট অমদা এন এস দল্লিয়ু দিপার্টমেন্ট ওফ প্রাইমারি ইন্দষ্ট্রিস (দি পি আই) না হায়খি, মদুদি হিট ৱেব অদুনা পার্ক শন্না ঈশিং ঈচাও থোকপদগী কা হেনবা কন্দিসন কয়া মায়োক্লরক্লবা সিষ্টেম অমদা অহেনবা ষ্ট্রেজ পীরে। হিট ৱেবশিং মীওইবনা থোকহনবা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা হেন্না তোইরক্লি, হেন্না শাথিরক্লি অমসুং হেন্না মতম শাংলক্লি।

ইন্দষ্ট্রি চাওখৎপগী মতম হৌখিবদগী মালেম অসিগী শাবগী চাং সেলসিয়স ১.১ য়ৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা ইম্মিসন হন্থহন্নবা অকনবা থৌরাংশিং পায়খৎত্রবদি হৌজিক মখা তানা শাবগী চাং হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

বি বি সিদা ৱা ঙাঙলদুনা মেনিন্দি রেসিদেন্ট গ্রিম্মি মেক্রাফনা য়াল্লবা ঙাশিং শিরল্লিবদু থাজবগী ৱাংমদনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা লোকেলশিংদা অহেনবা ঙাশিং শিরকখিগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি। ন্যু সাউথ ৱেলসকী নোংচুপ ইথং থংবা চিদাইগী টাউন অদুদা মীওই ৫০০ রোম লৈ। দার্লিং-মাক্কা তুরেল অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা রিভর সিষ্টেম ওইরিবা মুরে দার্লিং বেসিনগী শরুক্লি। য়াল্লবা ঙাশিং শিরিবা অদুনা লোকেল কম্যুনিটিবু থম্মোয় শোকহল্লে হায়না এন এস দল্লিয়ু দি পি আইনা ফোঙদোকখি।

মেনিন্দি টাউনদা থাংজ নুমিত্তা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪১ য়ৌবা য়াই হায়না পাখি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**
**[illegible] / NOTIFICATION**

Imphal, the 18th March, 2023

No. Ex/208/DP/2022: It is notified for information of all Supervising officers and Officers in-charge of the 158 Examination Centres of the undergoing H.S.L.C. Examination, 2023 that all A.O.C.s, S.I.s., Invigilators and Staff of the different Examination Centres are not allowed to hold and carry Mobile/Smart phones inside the Examination Hall/Room during the hour of Examination.

The O.C. of each examination centre should collect mobile phones and any electronic communication devices from all A.O.C.s, S.I.s, Invigilators and Staff before 8.40 a.m. It should be strictly followed by all O.C.s. If any of the above electronic devices are found, then responsibility shall be fixed on the O.C. concerned.

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**

HL-P/6330/19